# “কায়রবা ঋতুগী তান্থা”

## EPISODE-38

**(Effect of fishing & livelihood problem followed by displacement)**

*Script :*
**Dr. Irungbam Jamuna Devi**

**CHARACTERS :**

নুপা:- (১) ইবোহল - ঙা ফাবা মী (২) য়াইফবা - ফিসরি ওফিসার
(৩) বোয়াই - ইবোহলগী মচানুপা

নুপী:- (১) তম্ফাস্না - ইবোহলগী নুপী
(২) শংবান্নবী - য়াইফবগী মচলনুপী

(মতম:- নুমিদাং, মফম:- ইবোহলগী য়ুম, অহিংগী কৌজেং হারৌনা খোংবগী মখোল)

ইবোহল :- ঙসি অহিংসিবু করি তৌরবনো মীৎ ককলা অমা ফাওবা উইশিনবা য়াদ্রিবসিবো, পুন্সিগী ওইরক্লিবা ফীভমশিং অসি অসুম খল্লুবদা অকিবা ৱাখল অমনা ঐবু কোইতান তান্নবদৌনা তৌরক্লিবসিনা করিগীনো, ঐসিবু হীংনবগী লানফমদা মাইথিরবা মীশক অমা হায়বদু ওইগদৌরিবরা, নোংমা নোংমগী অসুম অসুম শেন্থোক লন্বীশিসু ৱাৎশিনলক্লি, করম তৌরগা ইচানুপা অমদি ঐগী মরাইবক থীরবী শেৎপা চাবা মনিং থুংজদ্রবী নুপীবু অমুক্তং নুংঙাইনা হীংহনবা ঙমগনি... তম্ফা... তম্ফাসনা ... (তপ্না কৌবা)... কয়াদা নুংঙাইনা ইশি শিনা তুন্লিবনো... শুবা নোমবতনা মথৌ ওইজরিবী ৱায় কৌবতা হায়দবী নঙসে ঐনা কয়াদা ৱাহনবীরবনো...।

তম্ফাস্না :- কৈদৌরে তুমগেদি হায়দ্রদুনা মুরুম মুরুম নতোমতা শোন্দুনা লৈরিদুবো, পুংশে আ য়ৌখ্রবনি ঙহাক লৈরদি নোং ঙাল্লি ঙাল্লি তৌরক্লনি, আ তুরেল খোংনুংদা লু থুল্লম্বশিংদু ঙন্তা চৎতুনা কাইরুদ্রবদি, ঐনা অমুক ঙাশিংদু ঙন্না পুদুনা কৈথেলদা য়োনবা নংহৌরোই।

ইবোহল :- ঙাবু কয়াম্নবু লুদা চংলমগদগেনে, হৌজিক্তি ঙা ফাবগী চাংসু য়াম্না হন্থরে, চহি তরা কুনগী মমাংদদি ঙা মখল য়াম্না ফারম্বনি অদুবু হৌজিক্তি ঙাগী মশিং অসে খঙহন হন্থখিবগুম তৌরে, ঈশিংসু হন্দক চহি খরসে তোয়না তোয়না চাওরবনিনা, ঐখোয়গী লৌবুক ময়ায়দা পুখ্রি তৌদুনা ঙা খরা য়োকচবদুসু লোয়না ঈশিং পাথোকপদা য়াওখরে।

তম্ফাস্না :- খঙদরে ঐখোয়না তৌগদবসে, শেনথোক্লবা লন্বীসু ঙা ফাবসি নৎতনা তৌনিংঙাই অমতা লৈতে, মোয়পাবা মতম অমদদি ঐখোয়গী ইরমদমগী ঙা মখল ময়াম অমা ঐখোয়গী তুরেলশিং অসিদা মরাং কায়না ফংলম্বদু হৌজিক্তি অমতা উখিদরে, অমতসু ফাদরে।

ইবোহল :- হাওরা হাওরবা ঙা মখলশিং ঙারা, ঙাৰা, শরেংখোইবী, ঙানপ, ঙাকিজৌ কাহায়দু মরাং কায়না ঐখোয়গী তুরেল খোংনুংশিদা ফংলম্বনি অদুবু হৌজিক্তি মশক ফাওবা উখিদবা কুইরে।

তম্ফাস্না :- অইং-অশা, নোংজু-নুংশাগী খল কায়রকপদগী ঙাশিং অসিসু লৈবা ঙল্লক্তবদগী মাংখ্রবা জাৎলা মোইপাবা।

ইবোহল :- উম শোয়দনা ওইরমগনি, তম্ফাসনা ! ঐখোয় উপাই অমা নত্রগা উপাই অমা তৌদুনা হীংদবদি য়াদে, অদো নঙবু নচানুপা বোয়াইগী পাওগদি তাবরা, হন্দক মরকসে ঐখোয়সু মাগী মনাক্তা চৎপীরুবসু ঙমদরে, মানসু লাক্তে, মাবু পৈশা নুংশাগা লৈরমখিগদরা, চান-থক্লবনা করম তৌরমগনি।

তম্ফাস্না :- খঙদে মানা করম তৌরমগদবনো, ঐখোয়গী অৰাবা ইতৌসিদা মাসু কন্না হায়বা ঙল্লম্লরোই, পরিক্ষ্যাসু কুইশিনলক্লমলরোই, ফোর্ম ফিল্লঅপ তৌবগী মতমসু ওইরক্লম্লনি, হন্দক্তি ঙাসু কয়া ফাদ্রবনিনা পৈশাসু অমতা লৈতে, কনাদগী পৈশা হংলুগনি।

ইবোহল :- হন্দক্কী পরিক্ষ্যাসি পাস তৌরবদি ইচা বোয়াইসি মখা করি তমথহনসিগে মমা।

তম্ফাস্না :- হৌজিক্তা ইচাগী ফোর্ম ফিল্লঅপ তৌননবা পৈশা লৈতে কনাদগী হংলুসিগে হায়রিঙৈসিদা কদোমদগী অমুক লামশিনলক্লিবনো লাইরিক মখা তমথহনবগী ৰারীদুনা।

ইবোহল :- থোকঅ থোকঅবা অদুম লাকচগনি, ইচাদি লাইরিক লাইশুদা থৰায় য়াওজবা ছাত্রনি হন্দক বি.এ.সি. লোয়রগা, এম.এ.সি তমহনগনি, মথং-মথং রিছার্চ তৌহনগনি, অফাওবা সাইন্টিষ্ট অমা ওইহনগনি, ঐখোয়গুম্না ঙা ফাদুনা হীংবা মীওই অমদি ইচাদি খক ওইহল্লোই।

তম্ফাস্না :- হোয় হোয় ঈশ্বরনা তম্বা অমা অদুম লৈজরম্লনি, সে ঙহাক লৈরদি হৌগৎপা মতম ওইরক্লনি, ঙহাক্তং তুমথবা য়াবরা য়েংবীয়ু, তুম্বা ৰাৎলবদি হয়েং থবক মঙম শাল্লরোই, চাদবগীদি তুমদনা হেন্না হকচাং শোকই হায়রিদুনি।

ইবোহল :- ঐনা নঙগী তুম্বসু থুগাইবিরে, তুম্মো তুম্মো ঙহাক নুংঙাইনা তুমথজরো...।

-ম্যুজিক-

(মতম: অয়ুক, মফম:- য়াইফবগী য়ুম, নুংশিবা ঈশৈগী শুর তপ্না তাবা)

য়াইফবা :- ঙসিগী খবরদুবু কদায়দা লৈখ্রগেনে... নুংতিগী স্বাইদা হেক হেক তাদুনা লৈরম্বনিনে, ঙসিসিবু খবর পীরমদ্রজাৎলনে (কোইথি থীবগী মঙং)... ইবেম্মা ... শংবান্নবী... নঙবু ঙসিগী খবরগা লৌশিনবরনে, সিদদি লৈতেনে...।

শংবান্নবী :- তামোচৌ ঐদি লৌশিনদেয়ে, ঐদি তামোচৌগী ব্রেক ফাষ্ট শেল্লিয়ে, অদুৰাইদা অদুম তাদুনা লৈরমগনিয়ে।

যাইফবা :- লৈতদনা হংলীবনিনে, লৈরদবু নঙোন্দা অমুক হংখিগদরা... অয়ুকসিদা খবর ঙহাক্তং পাগে তৌবসিদা খবরদুনা কদোমদানোনে খবর য়োনবা নুপামচাদুনা লংশিনলল্লিসিবো।

শংবান্নবী :- তু খবরদি শিদা গেট ময়াগী শিংগারৈ পাম্বী মখোংসিদা তা লৈরিসিবো... ঐখোয় তামোচৌসিদি লিন ওইরদি ঙসাইনা চীক্লনি, পোৎ থিবা ওন্থোক্লা হৈতে, ঐ হেক য়াওদ্রিখৈ য়াদে।

যাইফবা :- হো হৈপা শাবী, ইবেনবোক নঙ মঙায়রেনে পোৎ থিবা হৈরিসে, চবেং চবেং অমুক ঙাং লৈদৌ শরুক চাগা ব্রেদতুগা খরা থুনাদুম পুরকউ, ঙসাইদগী চা লোল্লিবনি হায়দুবু হৌজিক ফাওবা লোইদ্রিবরা?

শংবান্নবী :- ঙসাইনা লোইরেনা চাদি, খবর থীবা ফংদরে হায়দুদা খবর হান্না থীবিবনিনা, ঐখোয় তামোচৌসিদি ঐদি তনবু তনশিল্লক্লে, থবক তৌরসু ঙাংঙি তৌদ্রসু ঙাংঙি ঐনা ঙসিনে হেক শাওনিংলক্তুনা ফজনা খোংগ্রাই চল্লগা ফম লৈথোকচনি, অদুমাই তৌরদি চাকসু থোংলরোই নুংঙাইনা শান্তি ওইনা তুমিন্না লৈরনি ঐদি, তামোচৌনা চরা হেল্লগা ওফিস কাজরেদনা।

যাইফবা :- মসি অঙাংসি য়েংঙুনেসে থওইনগা শাওরিনে, ইবুংনা নুংশিদনা ফাগী তৌরগা, ইচলদি মরম মোকপীনি, হোরেল ওফিস কুমলকপদা ইচলগী করি লৈরকউ হায়বা।

শংবান্নবী :- কৈসু লৈবীরক্কনু য়াজরে, ঐ চা লৌরুখিগে (চঙখিবা)।

যাইফবা :- (খবর পাবা) করি করিবু য়াওরিজাৎনোনে ঙসিগী খবরসিবো... মীরমদগী পাইরকপা উচেক মশিং থীখরে... মমাং চহিদা লোক্তাক পাৎতা চাক্তারবা উচেক মশিংদগী হন্দক্কী চহিসিদা চাক্তারবা উচেক মশিংনা য়াম্না হন্থরে। উম মশানা হন্থবা তাবনি, ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরকপদগী ইকোলোজিকেল বেলেন্স কাইরক্লবনিনা শা-ঙা, উচেক-ৱায়াসু অসুম-অসুম মশীং হন্থখিবা তাবনি।

শংবান্নবী :- চা লৈরে তামোচৌ, তামোচৌ ঐ ৱা অমতা হায়গেনা।

যাইফবা :- (চা থকপা) করি ৱানোনে নঙনা হায়গে হায়রিবো, করি লৈবীয়ু হায়বনোনে।

শংবান্নবী :- অস কৈসু লৈবীয়ু হায়বা নৎতেবা, ঐখোয় ইমান্নবা অমগী মরমদা হায়গে তৌবনিবা।

যাইফবা :- কনানোনে নঙনা হায়রিবা নমান্নবদুবো, করি তৌরগেনে, ইচলদা মানা করেম কথাইনবগা তৌরকপরো, মবুং ঐ লৈরিঙৈদা ইচলদা উশিৎতবা ঙন্বা মী অমতা মালেমসিদা পোক্ত্রি।

শংবান্নবী :- ঙসিসিবু ঐখোয় তামোচৌসিবু লাইগা ওক্লরবরা হায়বা, মরী মখোং শম্নদবা ৱা ঙাক্তা পংঙাংদা ঙাংলিসিবো, ঐনা অমা হায় তামোচৌনা অমা হায় গ্যান মেনগা অমতা তাদরে (শাওবা)।

যাইফবা :- (ইশি শিনা নোকপা) ইচলনা শাওবদু য়েংনিং তৌবনিদা, হায়রো হায়রো ইচলনা হায়নিংলিদু হায়রোসে।

শংবান্নবী :- আ লোয়ালম অরাপ্পা খুঙ্গংদগী ঐখোয় কোলেজদা লাইরিক তম্বা লাকপা ইমান্নবা অমখক লৈ, লাইরিক লাইশুদা পুক্নিং য়াম্না চংজবা লাইরবা মচানি মহাক, মমিংনা বোয়াই কৌই।

যাইফবা :- বোয়াই হায়বা... করিনো নঙনা হায়নিংলিবদু হেক্তা হায়যুনে অমুক কোয়থোকত্রবসু।

শংবান্নবী :- মপা মমানা ৱানা ঙা ফারগা মদুদগী ফংলকপা শেল খরদুনা মখোয়গী ইমুং মনুংগী লৈতা লাইরা মেন্নবতা নৎতনা বোয়াইবুসু ইম্ফালসিদা লাইরিক তম্বা থারক্লিবনি, তামোচৌনা য়ারদি বোয়াইগী লাইরিক লাইশু তম্বসিদা মতেং খরদং পাংবীয়ু হায়গে তৌবনি।

যাইফবা :- নঙনা হায়রিবা ৱাফমদু মেন তানা ফজনা খন্নখিসি, লৈতা লাইরগী মতেং পাংবা হায়বসে য়াম্না ফবা থবক্নি অদুবু নঙনা হাযরিবা নমান্নবদুগী মরমদা নঙ কদায় ফাওবা য়ৌনা কুপ্না মাগী মরী মখোং খংলবগে।

শংবান্নবী :- বোয়াই অদুক্কী মতিক মপুকচেল শেংবা চমজবা মীওইনি, মহাক্না সেমিষ্টর ইগজাম খুদিংমক্তা ঐখোয়গী কোলেজ খক্তগী নৎতনা মণিপুর পুম্বগী ওইনসু ফার্ষ্টতা তারিবা য়াম্না ব্রিলিয়ন্ট ওইবা ষ্টুদেন্ট অমনি, মহাক্না সিদা লাইরিক তমদুনা লৈরিবসে মখোয়গী ইমুং-মনুংগী ওইনদি য়াম্না ৱাজরবনি, ঙরাংদি মহাক য়াম্না মথৱায় নুংঙাইতনা হন্দক্কী সেমিষ্টর অরোইবা ইগজামসি ফোর্ম ফিল্লঅপ তৌবা ঙমগদৌবা মান্দরে ইগজাম থাররোয় হায়না য়াম্না নুংঙাইতনা শোনহৌই, ঐসু মাগী মতৌদুদা য়াম্না নুংঙাইতে তামোচৌ (মপুক্নিং নুংঙাইতবা)।

যাইফবা :- অফবা মীগীদি তামোচৌনা মতেং পাংলোইদবগী মরম লৈতে, নঙগী নমান্বদো ঐখোয়দা নোংমা পুরকও ঐগসু খঙনগে।

শংবান্নবী :- হোয় তামোচৌ, অদুদি ঐ চাক প্রপ প্রপ থোংদোক্লুরগে, কোলেজ কাবা থেংখ্রনি, তামোচৌসু ওফিস কাগদবা নৎতরা?

যাইফবা :- উম কাগদোইনি, ঙসিদি তোঙান তোঙানবা ডিষ্ট্রিক্টশিংগী মফমদা লৈরিবা ফিস ফার্মশিংগী সর্ভেৱার্ক অমসু চৎকদবনি, অতোপ্পা ফিস ফার্ম খরসু অমুক পায়খৎনবা প্লান ময়াম অমসু লৈরবনি।

শংবান্নবী :- তামোচৌ ঐসু তামোচৌদুনা ফিসরি ওফিসার ওইনবা হন্দক্কী বি.এ.সি. জুলোজি হোনর্স ইগজামসি পাস হেক তৌবগা মষ্টর ওফ ফিসরিজ সাইন্স (এম.এফ.সি.) তম্বা চেন্নাইদা চৎকেকো।

যাইফবা :- হোয় হোয়, ইবুংনা শোয়দনা ইচলনা হেক তম্লিংলিবা খুদিংমক তমহনদোইনি, লাইরিক কন্না পাদুনা মার্ক ৱাংনা ফংনবদুম হোৎনৌ।

শংবান্নবী :- হোয় তাচৌ ঐ লাইরিক থৱায় য়াওনা পাবা হৌরদৌনি সিদগীদি।

-ম্যুজিক-

(মফম: বোয়াইগী ভারাগী কা, মতম: অয়ুক পুং মাপলমুক তাবা মতম, প্রেসর কুক্কর কান্বগী মখোল)

বোয়াই :- (চাক থোংবগী খাবৈ, পুখম, তেংকোৎ অমগা অমগা থেংনবগী মখোল) ঙসিসিদি ওন্থোকপা নুমিৎ হায়দু ওইরে, অমা য়েংঙুই লৈরমদে, অমা য়েংঙুই লৈরমদে, চেংগা হৱায়গা য়ানশিন্নরগা, থুম খরা থাকচিনলগা হেক্তা প্রেসর কুক্করসিদা হাপচিল্লগা কামথোল্লগা চাবা হায়বদুনি, অস্বাইদগী করি করিনো খরা লৈরুদৌসু পৈশা অমতা লৈতরে, ঐখোয় ইমাগা পাবাগদুসু শুংলাক লাক্তে হন্দক্তি কৈদৌরজাৎনো খঙদে... মোয়সু ঐ লাইরিক তম্নবা হোৎনবদা য়াম্না ৱাজরপোৎনি করম্বা মতমদা ঐগী মরাইবক থীরবা ইমা-পাবসি অমুক্তং নুংঙাইহনবা ঙমগনি (মতোমতা শোনবা)।

শংবান্নবী :- কৈনো থোংলিদুবো, য়াম হাওদৌবা মাল্লি ঐসু খিৎতা চাজগেদনা।

বোয়াই :- অস নঙ ওইরে, ঐদি কনা কনা ওইরবোই নিংঙুরে, নঙদি সিদদি কৈদৌবা লাকইনো, শংবান্নবী ! ঐনা নঙ সিদা তোয়না তোয়না লাক্নু হাযরগা কৈদৌবগী লাকইনো।

শংবান্নবী :- হো ইবুংঙো, ঙরাং নঙ কোলেজদসু লাক্তবদুদা নারবরা কৈদৌরজাৎনো য়েংবীরুগে হায়দুনা লাকপীবগী ৱানি য়াম্না লাকহন্নিংদ্রগা চৎপিখ্রগে কৈনো (চৎকে তৌবা)।

বোয়াই :- হে ঙাইখো চৎখিনু, লাকঅবনিনা ঙহাক লৈখো,সে মোরাসিদা ফম্মুসে।

শংবান্নবী :- (শাওরি শাওরি হায়বা) ঐনদি নঙ কৈদৌরজাৎনো হায়দুনা পাখৎলুরি অদুগা নঙনা নঙগী কাসিদা নুংঙাইনা নে তানা থোং থাক্তুনা লৈরম্মী, কৈনো হায়বা নঙনা থোংলিদুবো।

বোয়াই :- কৈসু নৎতেবা, ঐনা চাক্কা এঞ্জাংগা তোঙান-তোঙান থোং লৈবদু তন্দনা পুল্লপ চেংগা হৱাইগা থোংজিনবনি।

শংবান্নবী :- অদুদি য়াম হাওদৌ মাল্লি ঐসু খরা চাগেদনা।

বোয়াই :- হুম ঙসিদি চারনু, নোংমা ফজনা থোংলগা চামিন্নসি, ঙসিগীসিদি ঐনা পংথোং থোংজিনবনি, অদো নঙনা সিদা তোয়না তোয়না লাকপসে ঐদি কয়া পামদে, লৈশাবীনা পাখংনা লৈবা ভারাগী কাসিদা তোয়না তোয়না লাকপসি উরগা মীনা লান্না লৌখিবসু য়াই, য়ুম্থুনসু ৱা ঙাংলল্লব্দি ঐদি খুমফম খংলোই।

শংবান্নবী :- কৈনো ইমান্নবা ইমান্নবী তীন্নবসিবু য়াদ্রবরো, মরম লৈবগী লাকপনি, মীনা খন্নীংবা খনজসনু, নোয় য়ুম্থুদসু ৱা ঙাংদা ঙাংলকসনু ঐ তৌগে খঙনি।

বোয়াই :- নঙনা করি তৌদোইবা, ঐদি নঙসে সুম কীশিল্লক্লেবো।

শংবান্নবী :- হো কৈসু কীবিরুনু ঐনা নঙগী মাংননবা খক শীল্লোই, ঐনা লাক্লিসিসু পাউ অমা হায়বীগে হায়দুনা লাকপীবগী ৱানি... এ! সিদা লাইরিক অমা লৈরিসিবু করি লাইরিক্লো... উম.... ক্লাইমেৎ চেঞ্জ এন্দ ইম্পেক্ট ওন ফিসরিজ... । নঙদি য়াম নুংঙাই নুংঙাইবা লাইরিককাসু য়াম্না পারিজাৎ ওইরে।

বোয়াই :- উম, নুংঙাইবা হায়গনু, খঙবদা কান্নবা অদুগা খঙদবসু য়াদবা লাইরিকশিংনি ঐনা পারিবসে, হৌজিক মালেমসিদা শাবগী চাং ৰাংখৎলকপদগী সমুদ্রগী ঈশিং শাবগী চাং হেনগৎলক্তুনা সমুদ্র ইরোলনুংদা লৈবা থৰায় পানবা কয়া, মরুওইনা ঙা মখলশিং, কোরেলশিং হীংবা ঙল্লক্তবা, মশিং হন্থরকপানচিংবা কযা থোরক্লি মসিনা সমুদ্র মপালদা খুন্দারিবা মীওই কয়া ঙা ফাদুনা হীংজবা মীওই কয়াগী পুন্সিদসু অৰাবা মায়য়োক্লরক্লি।

শংবান্নবী :- উম অচুম্বনি, হৌজিক মালেমগী মফম পুম্নমক্তা ক্লাইমেৎ চেঞ্জগী অৰা-চৈথেং কয়া ফংনরক্লি, ঐখোয়গী ইরমদম অসিদা হান্না লৈজরম্বা ঙা মখল কয়া অমসু মাংশিল্লক্লি, লৈরমদবা কয়া অমসু লৈরক্লি মসিসু অইং-অশা, নোংজ-নুংশাগী চাং কায়রকপদগী ওইরক্লিবনি। ফরেসে মসিগী ৰাসি তোক্লসি, ঐখোয় তামোচৌনা নঙগা উন্ননিংঙি হায়রকই হয়েং অয়ুক ঐখোয়দা অমুক্তা লাকও, সিদগীদি ঐসু নঙগী নাক্তা তোয়না লাকচররোয় চৎচরগে, নঙ নঙগী চাক্তো হাওনা চাজহৌরো (চৎখিবা)।

বোয়াই :- হে অমুক্তা ঙায়খোও... শাংবান্নবী ঙায়খো হায়বনে, করিগীনো ঐবু নোয় তামোচৌনা উন্ননিংঙি হায়রিবো?

শংবান্নবী :- হো হয়েং লাক্লগা হংজররো... ঐসু খঙদেয়ে... (গাড়ী থৌখিবা)।

তম্ফাস্না :- (চংঙকপা) মোইপাবা হৌজিক গাড়ী কন্না থৌরগা ঐখোয় ইবুংঙোনা লৈরিবা য়ুম ভারাসোমদগী থোকখ্রিবা নুপীমচা লৈশাবীসে উহৌবরো?

ইবোহল :- কনাগী লৈশাবীনোনে, ঐদি কনামতা উহৌদে ইচাগী মনাক য়ৌরগা লোইরে খন্দুনা নাক য়েৎকা অমতা য়েংদরে, উদে উদে ঐ কনামতা উদেকো।

তম্ফাস্না :- উরোইয়ে... উরোয় মোয় পাবাদি, কৈদৌবা লাক্লিবজাৎনো মাদি, হৌজিক কানগী লৈশাবীশিংসে ঐদি য়াম্না কিজৈকো।

ইবোহল :- তম্ফাস্না নঙসিমা ওন্থোক্লা ফরক তাখরে... নচানুপাদুবু লৈ জাৎলনে... ইবুংঙো... ইবুংঙো।

বোয়াই :- পাবা... ইমা... ঐদি হন্দক পাবগা ইমাগা শুংলাক লাক্তবদুদা কৈদৌরজাৎনো নারজাৎলা খল্লুরে।

তম্ফাস্না :- সে সে চেঙ খরগা মনা-মশিং খরগা পুবীরকপনিসে, নঙবু করি করিবু চারিগে ইচা চানিংঙাই লৈরম্লরোই খনবদা ইমাদি অহিংগা অমতা তুম্বা য়াদ্রবনি।

ইবোহল :- হন্দক্তি ঈশিং হঞ্জিন হঞ্জিন চাওখিবদুনা পুখ্রি, পাৎ, খোঙ পুম্নমক্তা লৈরম্বা ঙা মখৈসু লোইনা ঈশিং ইচাওদা চেন্থখিদুনা ঙাসু ফানিংঙাই অমতা লৈতরে, তুরেলদসু হান্না লৈজরম্বা ঙা মখল অয়াম্বা লৈরক্তরে, অদুনা ঙা ফাদুনা হীংবা ঐখোয়গী পুন্সিদি অৰাবা ওইরে।

| | | |
|---|---|---|
| বোয়াই | :- | পাবা ! মালেমগী মফম অয়াম্বগী সমুদ্র মপান অমদি পাৎ-তুরেলশিংগী মপান্দা খুন্দারিবা মীওই কাংলুপশিংগী হিংন্নবগী উপায়দি ঙা ফাবা হায়বসিনি, হৌজিক মালেমসিগী মহৌশাগী অইং-অশাগী ফীভমদা চাওনা অকায়বা থোরকপদগী ঙাগী পোৎথোক অসুম হন্থরকপা অমদি ঙা মখল কয়া মাংশিনলকপদগী লাইরবা ঙা ফাদুনা হীংজবা মীওই কয়াগী পুন্সিদা অৰা-চৈথেং কয়া নংনরক্লি। |
| তম্ফাস্না | :- | হোয়নে ইবুংঙো, হৌজিক্তি ঐখোয়গী লোক্তাক পাৎকী ফীভমসু হান্নগা য়াম্না খেন্নরবনিনা ঙা ফাবগী চাংসু য়াম্না হন্থরে, অদুগা ঐখোয়গী হান্না লৈজরম্বা ঙা মখলশিং ঙামু, উকাবী, ঙারিল, পেংবা, থরাক, ঙাসেপনচিংবা ফাবগী চাংসু য়াম্না হন্থরে, গ্রাস কার্প, সিলভর কার্প, ঙাপাইনচিংবা ঙাশিংনবু অয়াম্বা ফানরে। |
| বোয়াই | :- | অচুম্বনি ইমা, মফম অমগী লৈজরল্লিবা মহৌশাগী ফীভম, ঈশিং-নুংশিৎকী ফীভমদা চাওনা অহোংবা অকায়বা ওইরকপদগী অমদি কাহেন্না ঙা ফাদোকপা, অনৌবা ঙা মখল কয়া পুশিনলকপা মরম ময়ামসিদগী ঐখোয়গী হান্না লৈজরম্বা ঙা মখলশিং মাংশিনলক্লবগী মরম অমসু ওইরিবনি। ঙা মখলশিং মাংশিল্লকপা হায়বসি লমদম অদুগী ঙাগী পোৎথোক হন্থরক্কদৌরিবনি অমদি হান্না লৈজরম্বা ঙা মখলশিং লৈবা ঙমলক্তবদগী অতোপ্পা মখোয়গা চান্নবা মফমশিং থিদুনা চৎখিবসু য়াওরিবনি। |
| ইবোহল | :- | পুম্নমকসে ঙা ফারগা হীংবা ঙামী ঐখোয়গী পুন্সিদদি চাওনা অমাংবা অৰাবা ওইরিবনি। |
| তম্ফাস্না | :- | ইহে, ইমাদি নঙোন্দা ৰা আ হংগে তৌরগা ইকাও হেক কাওরুরে। |
| বোয়াই | : | করিনো ইমা কৈদৌরগে, করি হংগে হায়বনো? |
| তম্ফাস্না | :- | হৌজিক সিদগী গাড়ী মচা থৌরগা থোকখিবা লৈশাবীদুবো কনানো? |
| বোয়াই | :- | কনানো হায়রিসিবো, কদায়দগী লৈশাবীনোনে হৌজিক থোকখিবা হায়রিসিবো। |
| ইবোহল | :- | হেরা হৌজিক্তা ঐখোয়না সিদা চংলকপা মতমদুদা থোকখিবা লৈশাবীদুনি নোয় নমানা হংলিবসে। |
| বোয়াই | :- | (নোকপা) ওহ! অদু ওইরে অদুদি ঐগা কলেজদা লাইরিক তম্বীন্নবা ইমান্নবীনি, ফিসরি ওফিসার য়াইফবা হায়দুগী মচলনুপীনি। |
| তম্ফাস্না | :- | মাদি সিদদি করি তৌবা লাকলল্লিবা, হায় হায় নঙগী ভারাগী কাসিদা নুপী লৈশাবীগা মথোং মরম খঙদনা পংচন চংহনগনু, চোপ লাকপা য়াপোৎতেকো, মীগী মচা ইনাক-কৈরাক খুনবগা য়াম্না নকশিন্না পংতিন তিন্নগনু, ঐখোয়দি লাইরা পীদৎপা কনা লৈজদবা মীওইনিকো। |
| বোয়াই | :- | ইমা ঐনা হেন্না খঙলিবনি, ঐখোয় মীমান্নদে, সুরা নোল্লগা ইমাগা বাবাগনা ৰানা হোৎনদুনা ইহৈ তল্লিবনি হায়বসি ঐ কাওথোক্তে, ঐ অৰা-অনা থীদনা কন্না হোৎনদুনা ইহৈ-ইশিং মপুং ফানা হৈদুনা ইমা-ববাবু অমুক্তং নুংঙাইনা হীংবা ঙমহনবা হায়বসে ঐগী লাইনিংনি। |

ইবোহল :- ফরে ফরে, ইচানা অমুক্তং মীথোই মীহৈনবা ওইদুনা মপুং ফাবা মীয়াম্না শকখঙনবা মীওই অমা ওইরকপা হায়বসে নমা নপা ঐখোয়গীসু মঙলাননি।

তম্ফাস্না :- ইচাগীদমক নখোয় ববাগা ঐগনা চোকথবা লৈতনা হোৎনগনি নঙনসু নমা নপা ঐখোয়গী নীংজবসে থুংহনলুকো ইমাগী ইবুংঙো।

বোয়াই :- ইমা-ইপাগী নিংবা থুংহনবা হায়বসে ঐগী লেংদ্রবা ফীরেপনি, কৈদৌনুংদা পাবাহোয় ইমাহোয়না পামদবা থবক অমতা তৌজরোয়।

ইবোহল :- সে সে নঙগী ফোর্ম ফিল্লপ তৌনবা পৈশাদো ইপানা ৱানা হোৎনদুনা পুরক্লিবনি সে সে লৌশিনলোসে।

তম্ফাস্না :- অদুদি মোয়পাবা য়ুম্বুগী ভারা অৱাৎপা পৈশাদো পীথোকলুরসি লাকও।

ইবোহল :- হোয় হোয় চৎলুরসি লাকও, অদুদি ইবুংঙো ইপাহোয় অমুক সিদা চংলক্করোই য়ুমদা অদুম হনখ্রগেকো।

তম্ফাস্না :- লাইরিক লাইশু নপুক্লিং চংনা পাওকো মীকোক থোংদবা য়াদবনিকো।

বোয়াই :- হোয় ইমা, বাবা অদুদি ঐ অমুক লৈহৌরগে, পরিক্ষা লোইরগা ওইনা অদুম লাক্লগে মরক্তা অমুক লাক্লরোই।

-ম্যুজিক-

(মফম: য়াইফবগী য়ুম, মতম: অয়ুক, উচেক ৱায়াগী খোঞ্জেল)

য়াইফবা :- পুংবু কয়া তাখ্রগেনে তৌরিসিবো, ঐখোয় ইবেন্মগী মমান্নবা বোয়াই হায়দুবু লাক্কনি হায়বদুবু কৈদৌরজাৎনোনে হৌজিক ফাওবা লাকত্রিবসিবো....... মা ঙায়বা ওইনা আর্টিকলসিদুম পাখিগে.... এক্সট্রিম ৱেদর ইন দিফরেন্ট পার্টস ওফ দি ৱার্ল্ড...ফনদুম নুংঙাইদৌমানলি পাবা... করি করিনোনে য়াওরিবশিং অসিবো (পাবা) মালেমগী মফম অয়াম্বদা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরকপদগী হিট ৱেব, নুংশাগী মৈশা কা হেন্না হেনগৎলক্কুনা খাংবা ঙমলক্তবা, অখাক অরাও য়াওবা নোং কা হেন্না চুরকপা, লম্মৈ চাকপগী চাং ৱাংখৎলকপা, ইকং থোকপা, ইচাও থোকপা, উন কা হেন্না তারকপা অমদি গ্লেসিয়রশিং কা হেন্না শৌদোরকপনচিংবা থৌওং কয়া ঐখোয়না মায়য়োক্লরক্লি। ঐখোয় ভারতকী মফমশিংদসু সুনামি থোরকপদগী অৱাবা কায় মায়োক্লরক্লি অমদি সাইক্লোন, হুদহুদ, লাইলা, ফাইলিন, নাদানচিংবনা ভাতরকী মফম কয়াদা অমাংঅতা থোকহনলি, হায়রিবা খুদোংথিনিঙাই ওইরবা মরমশিং অসিনা খ্বাইদগী শোকহনলিবদি ঙা ফাদুনা হীংজবা লাইরবা মীওইশিং অসিনি।

বোয়াই :- শংবান্নবী..... শংবান্নবী .... য়ুমসিবু কনামতা লৈবিদবরা .... শংবান্নবীবু লৈবিদবরা?

য়াইফবা :- (মনুংদগী)শংবান্নবী, লাকইসি নোয়গী নমান্নবা বোয়াইদুরা অমুক্তা য়েংঙুনে।

শংবান্নবী :- হোয় তাচৌ.....। এ! বোয়াই লাকও চংঙকও,ঐখোয় তামোচৌদি নঙ লাক্কনি হায়দুদা ঙসাইদগী ঙাইদুনা লৈরবনি।

বোয়াই :- ঐ ক্কেসন, অনস্বর খরা সুম শেমলিঙৈদা পুং থেংদোকখিবা খঙহৌদরে, তামৌচৌদু ঐ ঙায়বদা য়াম্না ৱারন্নুনি (চংঙকপা)।

শংবান্নবী :- তামোচৌ ঐখোয়গী ইমান্নবা বোয়াই তামোচৌনা উন্ননিংঙি হায়দু লাকএ ... বোয়াই সে সোফাসিদা ফম্মুশে।

য়াইফবা :- ফম্মু ফম্মু ইবুংঙো, ঐখোয় তম্ফাসনানা তম্বদগী নঙগী মরমদা খরমখৈদি খঙলে, নখোয় মরম মোকপা লাইরিক লাইসুদা থৱায় য়াওবা নহাশিংশে ঐদি য়াম্না নুংশিজৈ অদুনা নঙগা অমুক্তং উন্নদুনা ৱারী শান্নীংবা কুইরবনি অদুগা নখোয়গী খুন্দদসু অমুক্তং চৎনীংবা ঐসে।

বোয়াই :- ঐখোয় খুনদি সিদগীদি য়াম্না লাপ্পী আ চীংখোং চীংয়াদা লৈবা খুন্নী, করি থবক্কী ওইরবনো তামোচৌনা চৎনিংঙি হায়রিসিবো?

য়াইফবা :- ঐখোয়গী ফিসরি দিপার্টমেন্টনা ক্লাইমেৎ চেঞ্জনা মরম ওইরগা ঙাগী পোৎথোক হন্থহনলক্লিবা অমদি মহৌশাদগী জৈরক্লবা ঙা মখল কয়া মাংখিগদবদগী কন্নবা প্রোজেক্ট খরা পায়খৎনবা থৌরাং তৌদুনা লৈরে, নখোয়গী খুন অদুদসু পুখ্রি কয়া তৌদুনা ঙা য়োক্লবগী প্রোগ্রাম কয়া পায়খৎকে খনলি, ঙা ফাদুনা হীংজবা মীওই কয়াবুসু ট্রেনিং পীদুনা ঙা করম্না য়োক্কনি অমদি করম্না ইনভাইরোন্টমেন্টতা অমাং অতা থোকহন্দনা ঙা ফাগনি হায়বনচিংবগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম কয়া অমসুং পায়খৎকদৌরিবনি।

শংবান্নবী :- অদুদি য়াম্না ফবা থবক্লি তামোচৌ, ঙা ফাদুনা হীংজবা মীওই কয়াগী পুন্সিদসু য়াম্না কান্নবা পীগনি খনলি।

বোয়াই :- তামোচৌ মালেমগী শাবগী চাং অসি হৌজিক ওইরিবা অসিদগী চহি ৫০ দগীনা ১০০ ফাওবগী মতুংদদি কা হেন্না শাগৎলক্লগনি হায়না সাইন্টিষ্ট কয়ানা হায়রি মরম অসিনা সমুদ্রগী ঈশিংগী থর্মেল এক্সপান্সন কা হেন্না ৱাংখৎলকপা অমদি উনগী শরুকশিং কা হেন্না শৌদোরকপদগী সমুদ্রগী ঈশিং ইমায় ৱাংখৎলকপা অমদি সমুদ্রগী ঈশিংদা এসিদকী শরুক কা হেন্না ৱাংখৎলকপা মরম ময়ামসিদগী সমুদ্রদা ফংবা থৱায় পানবশিং মরুওইনা ঙাগী মশিং কা হেন্না হন্থরক্লি হায়বসিসু অচুম্বনিকো।

য়াইফবা :- উম অচুম্বনি, সমুদ্রগী ঈশিং শাবগী চাং ৱাংখৎলকপদগী ঙাঅমদি থৱায় পানবশিংগী বাইওলোজিকেল প্রোসেসশিংদা অকায়বা কয়া থোকহনলকক্লি হায়বদি চাওবগী চাং হন্থরকপা মরুম কোকপগী চাং নেমথরকপা, শাংনা ইরোইদুনা চৎপা ঙমহনলক্তবা মরম ময়াম অমা থোকহনলক্লি মরমসিনা ঙাগী পোথোকসু হন্থরক্লি, মসি সমুদ্রগী মফম খক্তদা নৎতে, পাৎ, তুরেল কয়াগী মফমশিংদসু চাওনা অকায়বা ওইহনলক্লিবনি।

শংবান্নবী :- গ্লোবেল ৰার্মিং থোরকপদগী সমুদ্রগী ঈশিংগী থুমহি চেনবগী চাং অসিসু মফম অমগা মফম অমগা কা হেন্না খেন্নরকলি হায়নসু ঐনা সাইন্স জর্নেল অমদা থেংনৈ মসিনা কমায় তৌবনো তামোচৌ।

য়াইফবা :- গ্লোবেল ৰার্মিং ওইরক্লবনিনা ট্রোপিকেল ওসিনগী শরুকশিংদা কা হেন্না থুমহি চেনলকপা অমদি পোলগী শরুকশিংগা নক্না লৈবা সমুদ্রগী শরুকশিংদনা থুমহি চেনবগী চাং অসি কা হেন্না হন্থরকপা হায়বসি মশানা তাবনি, ঈশিংদা থুমহি চেনবগী চাংদা কা হেন্না অহোংবা ওইরকপনা মফমদুদা হীংজরন্বা শা-ঙা, পান্বী অমদি অপিকপা জীবশিংগী মশিং কা হেন্না হন্থহনলকপা অমদি লৈবা ঙমলক্তদুনা মফম অদু থাদোক্তুনা চৎখিনবা মরমসু ওইহনলক্লি।

বোয়াই :- গ্লোবেল ৰার্মিং অমদি ক্লাইমেৎ চেঞ্জনা কা হেন্না চৈথেং পীরিবসি লাইরবা ঙা ফাদুনা হীংজবা মীওইশিং অমদি সমুদ্র মপান্দা খুন্দাদুনা লৈবা মীওইশিং অসিনি।

য়াইফবা :- ইহে ঐদি হংগে তৌবা ৰা অমদি হংদরে, বোয়াই, নখোয়গী বাবাগী মীংদুবু করি হায়বনো।

বোয়াই :- তামোচৌ! ইবোহল হায়বনি,ঐখোয় খুন্দা ঙামী ইবোহল হায়রবদি খঙদবা কনামতা লৈতে।

য়াইফবা :- ঙসি নোংমা নিনিসিদা ঐ নখোয় খুন্দা চৎতুনা নখোয় বাবাগা অমুক্তং উনরুদবা য়াদরে।

শংবান্নবী :- তামোচৌ চৎলদি ঐখোয় পুল্লপ হেক্তা চৎলুসিবা, ঐসু লাক্কে।

য়াইফবা :- হোয় হোয় ঐখোয় অহুম হেক্তা পুন্না চৎলসি।

-ম্যুজিক-

(মফম: ইবোহলগী য়ুম, মতম পুং ১১ মুক তাবা মতম, উচেক ৰায়াগী খোঞ্জেল)

ইবোহল :- তম্ফাসনা! নঙবু চাক লোইরবরো,ঐদি চাক লম্বনা লোয়রেহে, ঙসিদি ঙাসু অচৌবা অমতা ফারক্তরে, ঙাখা খরা ঙাপেম্মা খরা ফারগা অদুম হনলক্লে, মসি য়োনলগা পৈশা কয়াবু ফংগদৌরিবাখঙদরে, লাইরবা ঐখোয়গী পুন্সিসে করম থোক্লগবা।

তম্ফাস্না :- ফরেশে নোংমা নোংমগী দাও হায়বদুনি, হয়েং অমুক য়াম ফাজগনি, চাক্তি ঙসাইনা লোইরবনি, লৈখোম লৈনাংদু হান্না পুখ্রিদা চামথোকপিরুরো, ইরুসু অদুম লুথোকপিরক্লো, খুদৈ সিদা লৈরেসে।

ইবোহল :- (গাড়ী থৌজিল্লকপা) কনা কনানো চংলক্লিসিবো... হায়মা সিদি ইচা বোয়াইনিনে... ইবুংঙো করিনো নঙদি লাক্কনিকা অমতা তাক্লক্তনা লাকইসিবো।

বোয়াই :- ইমা... পাবা... ঐখোয় ইমান্নবী শংবান্নবীগা তামোচৌ য়াইফবগনা চৎলুসি হায়বদুদা হেক্তা লাক্লবনি।

যাইফবা :- খুরাগা ইন্দোলগা উন্নজগে হায়দুনা লাকচরিবনি ঐখোয়।

তম্ফাস্না :- ইবুংঙো... ইবেন্মা সে সে মোরাসিদা হেক্তা ফন্মুসে।

শংবান্নবী :- য়ারনি ইমা, সে ইমা... ইমাগা পাবাগা চান্নবা অচা-অথক খরা য়াওরকপনি অমুক্তা লৌশিনবীয়ুসে।

ইবোহল :- ইবুংঙো য়াইফবনা ঐখোয়বু উনবা লাকপীরিবসে করি মরমগী ওইবিরবনো ইবুংঙো।

য়াইফবা :- খুরা হৌজিক মফম অয়াম্বদা অইং-অশা নোংজু-নুংশাগী চাং কায়রকপদগী মহৌশাগী ফিভম কায়রক্তুনা ঙাগী পোৎথোক হন্থরক্লিবা অমদি মহৌশাদগী লৈজরল্লবা ঐখোয়গী ইরমদম অসিগী ঙা মখলশিং অসুম অসুম মুৎশিল্লক্লিবা অসি খরদংদা ওইরসু কনবা ঙম্নবা হায়দুনা ঐখোয়গী ফিসরি দিপার্টমেন্টনা খুন অসিদসু প্রোজেক্ত খরা পায়খৎচগদৌরি অদুদা খুরাহোয়না মতেং খরা পাংবীয়ু হায়জগে তৌবনি।

তম্ফাস্না :- ঐখোয়নবু ইবুংঙোহোয়গী করি মতেংনোনে পাংগদৌরিবসিবো, ঐখোয়দি করিসু খংজবা নৎতে ইবুংঙোনা সি তৌ সি তৌ হায়বদো পুম্নমক তৌজগে।

য়াইফবা :- খুরা... ইন্দোল, খুনসিগী পাৎকী মফমশিং অসি অমুক নৌনা শেমগৎতুনা হান্নগী ফিভমদা খরদা ওইরবসু হনজিল্লকপা ঙম্নবা থৌরাং কয়া পায়খৎনবা পোলিসি প্রোগ্রাম কয়া শেমদুনা লৈরে অমদি ঙাগী ফার্ম কয়াসু মফমসিদা শেমগৎলগনি অদুনা খুরাগা ইন্দোনগনা ঐখোয়না পায়খৎকদৌরিবা প্রোজেক্ট অসি মায় পাক্লবা হোৎনবদা থৌদাং কয়া লৌবীয়ু

বোয়াই :- তামোচৌহোয়গী দিপার্টমেন্টনা পায়খৎকদৌরিবা থবক অসি খুন অসিগী লাইরবা ঙামী কয়াগী পুন্সিদা কান্নবা কয়া ফংহনগদৌরিবনি।

শংবান্নবী :- ঐসু ঐখোয় তামোচৌগী থবক থৌরম খুদিংমক্তা মতেং পাংগনি, মহৌশাগী ফিভম কায়হন্দনা থম্বদা থৌদাং কয়া য়াগনি।

ইবোহল :- ইবুংঙো য়াইফবা, নহাক্লা পাংথোক্কদৌরিবা থবকশিংদা ঐখোয় থৱায় য়াওনা মায় পাক্লবা হোৎনজগে, লাইরবা ঙা ফাদুনা হীংবা ঐখোয়গীদমক্তদি নহাক্লা পাংথোক্কদৌরিবা থবকসে মমল নাইদ্রবা খুদোলনি। হায় তম্ফাস্না, ঐনা ঙসাই ফারকপা ঙাখাদুমা হাওনা থোংলো অদুগা ঙাপেন্মাদুমা তাওরো, ইচাশা নখোয়সু চাক চারগা ওইনা হল্লোকো।

য়াইফবা :- অহোয় খুরা...।

-ম্যুজিক-